# য়ুরো কপ ২০১৬ ঃ লুকা মোদ্রিক্কী মশক থোক্লবা গোলনা ক্রোসিয়ানা টর্কিবু মায়থীবা পীখ্রে



পেরিস, জুন ১২ ঃ

রিএল মেদ্রিদকী মীদ ফিল্ডর লুকাস মোদ্রিক্কা মফম অসিদা চথরিবা য়ুরো ২০১৬ গী গ্রুপ দিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মশক থোক্ক। বোলিদা চনখিবা গোলনা টর্কিবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা, ঙরাং বোরদ্যুক্সতা শান্নখিবা ওপনরদা ৱেলসনা স্লোভাকিয়াবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্রোসিয়া অমদি টর্কি অনীগী মেচতা মতিং লৈনা শান্নখিবা ক্রোসিয়ানা অয়াম্বা মতমদা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। ক্রোসিয়াগী এন্টেকাসিকনা সেকেন্দ হাফতা মায়োক্লখিবা টর্কিগী মায়কৈদা কাওশিনখিবা বোল বারদা পানখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

ক্রোসিয়ানা হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা টর্কিগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪১ চৎপা মতমদা মোদ্রিক্কা গোল অমা চনশিনখিদুনা মহাক্কী ইন্টরনেসনলগী ১১ শুবা গোল ওইখি। ক্রোসিয়ানা মায় পাকখিবা অসিনা কুমজা ২০০৮ গী য়ুরোপকী কার্টর ফাইনেল মেচতা টর্কিগী মখূৎতা পেনালটিদা মায়থীহৌখিবা অদুগী লমন খুন্থা ওইনা থোকখি।

অদুম ওইনমক য়ুরো ২০১২ দা মখোয়না ক্বালিফায়িং প্লে-ওফতা অমগা অমগা মায়থীবা পীনখি।

ফাটিয়া টেরিমসকী টর্কিনা হৌজিক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন স্পেনগা ইরাই নুমিত্তা সাইসতা লন্থা তৌদুনা শান্নরগনি।

ক্রোসিয়ানা থাক নেম্না লৈরিবা টর্কিগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি। মখোয়না ফংখিবা খুদোংচাবশিং অদু লৌরগা টর্কিগী সাইদতা কাওশিনখিবা বোলদা গোল কিপর বোলকান ববাকান্না য়াম্না লায়না সেফ তৌখি।

টর্কিনা গোল ইক্কেলাইজ তৌনবা কন্না হোৎনরকখ্রবসু মেচ লোইবা ফাওবদা ঙমদনা ক্রোসিয়াগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙরাং বোরদ্যুক্সতা শান্নখিবা মেচতা ৱেলসনা স্লোভাকিয়াবু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

কুমজা ১৯৫৮ গী মতুংদা অহানবা ওইনা মখোয়গী মেজর চেম্পিয়নশিপ ওইনা ৱেলসনা ঙরাং শান্নরকখিবা মেচতা গারেথ বেলসনা ফ্রি কিক্তা গোল অমা চন্দুনা মিনিট ১০ রোম মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু স্লোভাকিয়াগী সবষ্টিট্যুট ওন্দ্রেজ দুদানা গোল ইক্কেলাইজ তৌখি।

মেচ লোইগদবা মিনিট ৯ খক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা ৱেলসকী সবষ্টিট্যুট রোবসন কানুনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মায় পাকখি।

স্লোভাকিয়াগী জানকোজাকনা রসিয়াগা দিল্লিদা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা শান্নগনি। অদুগা ৱেলসনা লেন্সতা য়ূমলোন্নরিবা ইংলেন্দগা শান্নগনি।

টিম অনীগী মেচ অদুদা অমনা অমগী মায়কৈদা গোল চন্নবা হোৎনখ্রবসু ফীভম ফনা লৈখিবা ৱেলসনা অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অমুক হন্না চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মায় পাকখি।

| ঙসি/হয়েংগী মেচ |
| --- |
| তাং ১৩/৬/১৬ |
| Spain Vs Czech Rep (6.30 pm) |
| Rep. of Ireland Vs Sweden (9.30 pm) |
| তাং ১৪/৬/১৬ |
| Belgium Vs Italy (12.30am) |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ # ৭

- অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল শান্নরোয় লিওনেল মেসি করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্কী ফুটবোলদা শরুক য়াখি ?
- কুমজা ১৯৩২ দা লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্কী হোকিদা ইন্দিয়ানা সনাগী মেদল লৌখি। মদুদা লৈবাক কয়া শরুক য়াখি?
- ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখিবা অখন্নবা খরা হোলিৱুদকী ফিল্মদা 'টরজান' গী শক্তম লৌখি। মখোয়গী মনুংদা ইরোয়বদা চেম্পিয়ন ওইখিবা জোনি ৱেজমুল্লর কৌবা ইরোইবগী চেম্পিয়নসু অমনি। দেকাথলোন চেম্পিয়ন টরজান শাখিবা অদু কনানো?
- লাই ময়াম্না শগোল কাংজে শান্নবদা মার্জিংনা তোংবা শগোলদি কাব্রঙনি, ইকোপ নিংথৌনা তোংখিবা শগোল অদুদি করি কৌখি?
- ফেদরেসন ইন্টরনেসনল দি ফুটবোল এসোসিএশনগী রেফরিগী বেদজ ফংদুনা ইন্টরনেসনল ফুটবোল রেফরি ওইখিবা অহানবা মণিপুর মচা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিগী ঙরাংগী এদিশনগী দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা মীওইগী মমিং ফোঙখিবদা তেন্সুবম জয়প্রকাস হায়খিবা অদু তেন্সুবম সঞ্জয়প্রকাস হায়গদবনি।

# ইন্দিয়ন রেষ্টলিং টিমনা ফ্রি ষ্টাইল ৱর্ল্ড কপতা নীংবা কায়নিংঙাই ওইরবা পার্ফোমেন্স উৎখ্রে



ন্যু দেল্লি, মে ১২ ঃ

ইন্দিয়ন রেষ্টলিং টিমনা লোস এঞ্জেলিসতা চথরিবা ফ্রি ষ্ট্রাইল ৱর্ল্ড কপ্তা নীংবা কায়নিংঙাই ওইরবা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা গ্রুপ বিদা য়ূম্বু য়ু এস এগী মখূৎতা ১-৭ অমদি ইরানগী মখূৎতা ০-৮ দা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

ইন্দিয়ন টিম অসিনা য়ু এস এগা মায়োক্লদুনা বাউট ৮ শান্নখিবদা ৭ মায়থীখি। মায় পাকখিবা অমত্তা ঙাইরবা বাউট অদু ওপনিং রাউন্দগী কেজি ৭৪ গী কেটাগোরিদনি অমদি অতোপ্পা বাউটশিংদনা ০-৮ দা ইরানগা মায়োক্লখিবা রাউন্দদা মায়থীখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারিবা বজরং পুনিয়া (কেজি ৬১), রজনিস (কেজি ৬৫), ষ্টেৱার্দ কাদিয়ান (কেজি ৯৭) না মখোয় মখোয়গী শান্নখিবা বাউটশিংদা মায় পাকপা ঙমদনা মায়থীখি। অদুগা অমিট কুমার (কেজি ৫৭) অমদি হিটেন্দর (কেজি ১২৫) না মখোয়গী য়ু এস এ অমদি ইরানগা শান্নগদবা বাউট অদু মাঙজখি।

প্রবিন রানানা য়ু এস এগী আলেকজেন্দর দেবিদকা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা কেজি ৭৪ গী ৱেথ দিভিজন্দা ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ন ওইখি।

ইন্দিয়ানা ইরানগা মায়োক্লখিবা কেটাগোরি ৮ দা শরুক য়াখিবদা বাউট অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমখিদে অমদি নুমিৎ নীনিগী ইভেন্ট অদুদা মায়থীদুনা মপান থোকখি।

কেজি ৫৭ কী বাউটতা য়ু এস এগী দানিএল পাওল দেনিস-কেনগোটনা ইন্দিয়াগী অমিট কুমারগী বাউটপু মৎখি। কেজি ৬১ গীদা য়ু এস এগী এন্থোনি জোসেফ রামেসনা ইন্দিয়াগী বজরংবু ৩-৬ তা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৬৫ গীদা য়ু এস এগী ফ্রেঙ্ক এনিলো মোলিনারোনা ইন্দিয়াগী রজনিসপু ৫-০ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ৭০ গীদা য়ু এস এগী জেমস মালকোম গ্রিননা ইন্দিয়াগী কুমার ওম প্রকাস বিনোদপু ১০-০ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ৭৪ গীদা ইন্দিয়াগী প্রবিন রনানা য়ু এস এগী আলেকজেন্দর দেবিদপু ৫-৪ দা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৮৬ তা য়ু এস এগী জে দেন মাইকেল থোরবিকোক্সনা ইন্দিয়াগী পৱন কুমারবু ১৩-২ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ৯৭ কীদা য়ু এস এগী কেএল ফেদ্রিক স্নাইদরনা ইন্দিয়াগী ষ্টেৱার্দ কাদিয়ানবু ১০-০ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ১২৫ গীদা য়ু এস এগী জেকোব ষ্টেফন বার্নরনা ইন্দিয়াগী হিটেন্দরগী বাউটপু মৎখি।

কেজি ৫৭ কীদা ইরানগী দেজা অহমদালি অত্রিনাগার্চিনা ইন্দিয়াগী অমিটকুমারগী বাউটপু মৎখি। কেজি ৬১ গীদা ইরানগী মর্সাউটনা ইন্দিয়াগী বজরংবু ৪-২ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ৬৫ গীদা সয়িদ অহম্মেদ মোহমাদি ফনেখোলৈনা ইন্দিয়াগী রজিনিসপু ১২-০ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ৭০ গীদা মোষ্টাফা মোহবলিনা ইন্দিয়াগী কুমার ওম প্রকাস বিনোদপু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৭৪ গীদা অসন য়াজদানিনা ইন্দিয়াগী প্রনিব রানাবু ১২-২ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ৮৬ কীদা ইরানগী অলিরেজা মহমদ ক্রিমিমাচিয়ানিনা ইন্দিয়াগী পৱন কুমারবু ১০-০ দা মায়থীবা পীখি।

কেজি ৯৭ কীদা ইরানগী অমির মোহোসেম মোহমদিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেৱার্দ কাদিয়ানবু ১২-১ দা মায়থীবা পীখি। কেজি ১২৫ গীদা ইরানগী পার্বিস হোদাবিরদি হাদি বাসমন্সনা ইন্দিয়াগী হিটেন্দরগী বাউটপু মৎখি।

# উসেন বোল্টনা সেকেন্দ ৯.৮৮ দা পন্থুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




ন্যু দেল্লি, মে ১২ ঃ

নেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙসি হৌদোকখিবা জমাইকা নেসনল রেষ্টর গ্রান্দ প্রীদা ৱর্ল্ড কপ অহুম অমদি ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা উসেন বোল্টনা মিটর ১০০ গী ইভেন্টদা সেকেন্দ ৯.৮৮ দা পন্থুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

জমাইকা নেসনল রেষ্টর গ্রান্দ প্রীদা উসেন বোল্টনা সেকেন্দ ৯.৮৮ দা পন্থুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অসিনা চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াংবা অনীশুবা টাইমিং ওইরি হায়না সি এম সিনা রিপোর্ট তৌরি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লমজেল য়াংবা উসেন বোল্টনা ৯.৮৮ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। নিকেল অসমেএদনা সেকেন্দ ৯.৯৪ দা পন্থুংফম য়ৌদুনা শিলভর মেদল অদুগা মহাক্কী রেষ্টর ত্রেক ক্লবকী টিমমেট জোহন ব্লেকনা ৯.৯৪ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

হায়রিবা লমজেল্লোই অহুম অসিগী মথক্তা হান্না ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোলদর ওইরম্বা মমিং লৈরবা লমজেল্লোই অসাফা পাৱেলনা ৯.৯৮ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসি য়েংননবগীদমক নেসনল ষ্টেদিয়ম অসি মীয়াম্না চিক্লা চাইনা ঙমদবমখৈ তিনখি। য়াম্না নুংঙাইরবা ইভেন্ট অসিবু য়েংননবগীদমক মীওই কয়ানা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌদুনা ঙাইদুনা লৈনখি।

মিটর ১০০ গী ইভেন্ট অসিনা মীওই অমত্তদা নীংবা কায়বা পোকহনখিদে। মরমদি ইভেন্ট অসি য়াম্না মরু ওইবা অমদি য়াম্না নুংঙাইবা অমা ওইখিবননি।

লেন্দ ফোরদা চেনখিবা মালেমগী খ্বাইদগী লমজেল য়াংলবা এথলেট উসেন বোল্টনা পন্থুং তম্না লৈজবী পূম্বা পুথোক্তুনা য়াম্না য়াংনা চেন্দুনা গোল্ড মেদল অসি লৌখিবনি। লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পক্স গেমসতসু উসেন বোল্টনা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু লৈখ্রবনি।

# পি এম মোদিনা সাইনাবু ওষ্ট্রেলিয়ন সুপর সেরিজ লৌখিবদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দেল্লি, মে ১২ ঃ

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি এস শট্টলর সাইনা নেহৱালনা সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজ ইভেন্টকী টাইটল লৌখিবদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী ট্যুটরদা থাগৎলকপা ৱারোলদা সাইনানা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন্দা মশক থোক্কা শান্নখিদুনা মসিগী টাইটল লৌখিবদা থাগৎলি। লৈবাক অসিগী অপূম্বা মীওইশিংনা মহাক্কী স্পোর্টিংগী হরাউ তয়াম্বা অসিদা চাউথোকচৈ হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট প্লেয়র সিখর ধৱন অমসুং বোল্লিৱুদকী সুপর ষ্টার অমিটাব বচ্চন্নসু সোসিএল নেটৱার্কিং প্লেটফোর্মদা প্লেয়র অসিবু থাগৎপা ফোঙখি।

ধৱন্না হায়, সাইনানা অনীরকশুবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন লৌবা ঙম্বদা অপেনবা পোকই অমদি থাগৎলি। নঙনা ঐখোয়বু চাউথোকচহল্লে হায়খি।

বচ্চনগী ট্যুটরদা হায়, সাইনা নঙনা ঐখোয়বু ইন্দিয়ন অমা ওইনা পোকহনবদা চাওথোকচবা পোকহল্লে। মখা তানা নঙগী মায় পাকপা ওইসনু হায়খি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী হায়দ্রবাদি অসিনা ৱর্ল্ড নম্বর ১২ সুন য়ুবু ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেল মেচতা পুং ১ গা মিনিট ১১ চঙনা শান্নখিবা অদুদা ১১-২১, ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (বাই) না সাইনা নেহৱালনা ওষ্ট্রেলিয়ন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌরকপগীদমক লুপা লাক্ষ ১০ গী রিৱার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৮ শুবদা লৈরিবা সাইনানা চিনাগী সুন য়ুবু নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা শিংথানিংঙাই ওইনা শান্নদুনা মায়থীবা পীখিবনি। মসিনা মহাক্কী সিজন অসিগী অহানবা টাইটল লৌবসু ওইখি।

# বিকাস কিষননা কেনিয়াগী নিক্সন অবাকা থিনগায়দুনা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএশন প্রো বোক্সিং ফাইদকী ৱিন্নর ওইখ্রে



নোইদা, মে ১২ ঃ

ইন্দিয়াগী বোক্সর বিকাস কিষননা কেনিয়াগী নিক্সন অবাকাবু আইবা প্রো বোক্সিং বাউটতা থিনগায়খ্রে।

ঙরাং মফম অসিমক্তদা পাঙথোকখিবা আইবা প্রো বোক্সিং বাউট অদুদা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট বিকাস কিষননা মহাক্কী ওপোনেন্ট ওইরিবা কেনিয়াগী নিক্সন অবাকাবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা য়াম্না নহা ওইরিবা বিকাস কিষননা ঙরাং শান্নখিবা প্রো বোক্সিং বাউট অসি লোইবগা ঙসি অজরবৈজানগী বাকুদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক ক্বালিফায়রসকীদমক্তা ইন্দিয়া থাদোকখ্রবনি।


রাউন্দ তরুক শান্নখিবা ঙরাংগী বাউট অদুনা বিকাস কিষন লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক বর্থ ফংগনি হায়বগী থাজবা হেন্না নকশিলহনখ্রে।

ভেনেজ্বেলাদা মথং থাদা অরোইবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্কী ফাইনেল ক্বালিফায়রসতা বিকাস কিষন্না য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

বিকাস কিষন্না ফোঙদোকখিবদা প্রো বোক্সিং বাউট অসিদা মহাক্কী মশাদা অশোক অপন অমত্তা য়াওখিদে। বাউট অসিদা মহাক্লা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা খঙই। মদুগী মথক্তা বাউট অসিদা মহাক্কীদমক্তদি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইরি। ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএশন (আইবা) গী মতুং ইন্না বোক্সর খুদিংমক্লা ভেনেজ্বেলাদা জুলাই ৩ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল ওলেম্পিক ক্বালিফায়রসকীদমক্তা বোক্সর খুদিংমক্লা য়ামদ্রবদা আইবা প্রো বাউট অনী শান্নগদবনি হায়বা রুল লৈ।

বিকাস কিষন হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ওইবদা নত্তনা অজরবৈজানগী বাকুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা কন্টেন্দরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা বোক্সর অসি মহাক্কি হায়রি।

বিকাস কিষন অজরবৈজান্দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রস অসিদা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্তুনা রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি হায়না থাজনরি। অদুম ওইনমক মহাক্কী কেটাগোরি অসিদা রিও ওলেম্পিক্কী টিকেট ফংননবগীদমক বোক্সর মঙানা শরুক য়াগদৌরি।





HL-B/3071/29/4-28/5




HL-B/3080/5/05-4/06